
# ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব টিম এ অমসুং মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম এ সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) : মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসন্না শীন্দুনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা চথরকপা এন হজারি অমসুং ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি ক্বার্টর ফাইনেল মেচ লোইখিবগা লোয়ননা সেমী ফাইনেল লাইন অপ তৌখ্রে।

টিম ২৭ না শরুক য়াদুনা হৌখিবা জান্যুৱারী ২৮ দগী চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব টিম এ অমসুং মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম এ মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেল মেচ অনীমক হয়েং শান্নরগনি। হয়েং অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ খুরাই পোলো ক্লব অমসুং মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম বিগা শান্নগনি। অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব টিম এ অমসুং মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম এগা শান্নগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচনা থা অসিগী ৮ দা শান্নগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব টিম এনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম সী পাঞ্জল ১০-২ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।




মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম সী টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমদনা নীংবা কায়না লৈহৌখি।

মেচ অদুদা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব টিম এগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা অমসুং চেকশিন্না শান্নদুনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম সীগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া চখিখি। ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব টিম এগী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদুদা চাউনা মায় পাকচরবসু অহানবা চক্রদা টিম অনীমক্ক া পাঞ্জল অমমমদগী হেন্না চন্নবা ঙমখিদে।

মেচকী অনীশুবা চক্রদগী হৌনা তপ্ন া তপ্না ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব টিম এগী শান্নরোয়শিংনা লাকশিল্লকপনা পাঞ্জল মথং মথং চনশিল্লকখি। মেচকী অহানবা চক্রদা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব টিম এগী পাঞ্জল অদু পি ওজিৎনা চনখি। অনীশুবা চক্রদা এম দোরেন্না পাঞ্জল অনী, এল কোকেশ্বর, এম মনিহার অমসুং পি ওজিৎনা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা টিমদুগী পূন্না পাঞ্জল তরুক শুখি।

মেচ অদুগী অহুমশুবা চক্রদা এম দোরেন, এস সোমোরজিৎ অমসুং পি ওজিৎনা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব টিম এগী পূন্না পাঞ্জল ৯ শুখি। মেচ অদুগী মরিশুবা অমদি অরোইবা চক্রদা ও সোমোরজিৎনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না পাঞ্জল ১০ শুখি। মেচ মায়থীহৌরবা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম সীগী পাঞ্জল অনী অদু অহানবা চক্রদা টি ঐচ রোমেন্না অদুগা অনীশুবা চক্রদা এম বেবেকানন্দনা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা অমদি অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেলদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম এনা ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্ট ক্লব (ঈ এস সী) টিম এ নোংমৈবুং পাঞ্জল ৭-৩ দা মায়থীবা পীদুনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম এ সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

মায়থীহৌরবা ঈ এস সী টিম এ নোংমৈবুং সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমদনা টুর্নামেন্ট অসিদগী নীংবা কায়না লৈহৌখি। মেচ অদুদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম এগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্রদা এম জৱান, ঐচ অবুংখুমন অমসুং এস বিমোলনা পাঞ্জল অমমম চনখি। অনীশুবা চক্রদা এম জৱান্না পাঞ্জল অমা চনখি। অহুশুবা চক্রদা এম জৱান্না অমুক হন্না পাঞ্জল অমা চনখিবগা লোয়ননা মেচ অদুগী মরিশুবা অমদি অরোইবা চক্রদা টি ঐচ রঞ্জিৎ অমসুং ৱাই বিনোয়না পাঞ্জল অমমম চন্দুনা টিমদুগী পূন্না পাঞ্জল ৭ শুখি।

মেচ মায়থীহৌরবা ঈ এস সী টিম এগী পাঞ্জল অহুম অদু ঈ রোমেসনা পাঞ্জল অনী অদুগা টি ঐচ মোমোচানা পাঞ্জল অমা চনখি।

# কে কে ঐচ ৱাই সী ক্যামগৈনা খাগেম্বা টি-২০ ট্রোফিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস): ক্যামগৈ য়ুথ পাইওনর ক্লব, ক্যামগৈ হৈবোংমখোংনা শিন্দুনা চথরকখিবা অহানবা খাগেম্বা টি-২০ ট্রোফি ২০১৭ কী চেম্পিয়ন কে কে ঐচ ৱাই সি ক্যিামগৈনা ওইখ্রে।

টিম ১৪ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা হৌখিবা জানুৱারি ১৬ তগী চথরকখিবা খাগেম্বা টি-২০ ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা কে কে ঐচ ৱাই সী ক্যামগৈনা ৱাই সী এম মোংশাঙ্গৈ ৱিকেট ৫ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি। মায়থীহৌরবা ৱাই সী এম মোংশাঙ্গৈনা রন্নর্স-অপ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মেন ওফ দ সেরিজনা ৱাই সী এম মোংশাঙ্গৈগী বিটেশ্বরনা তাখি। টুর্নামেন্ট অসিগী হায়েষ্ট ৱিকেট টেকরসু ৱাই সী এম মোংশাঙ্গৈগী শান্নরোয় দেবান্না তাখি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা ৱাই সী এম মোংশাঙ্গৈনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌনবা খনখি। অহানবা বেট্টিং তৌখিবা ৱাই সী এমনা ওভর ১৯.২ মায়োক্লখিবদা রন ১৯১ খক লৌরগা ওল আউট ওইখি।

ৱাই সী এম মোংশাঙ্গৈনা থম্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীরদুনা কে কে ঐচ ৱাই সী ক্যামগৈনা ওভর ১৬ মায়োক্লখিবদা শুপ্নগী ৱিকেট ৫ খক আউট ওইরগা রন ১২২ লৌদুনা ৱাই সী এম মোংশাঙ্গৈবু ৱিকেট ৫ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা মায় পাক্তুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রবা কে কে ঐচ ৱাই সী ক্যামগৈগী বিটেশ্বরনা মেন ওফ দ মেচ তাখি।

# মণিপুর হোকি লীগকী নুপীগীদা আইদিএল ক্লব তেরা, নুপাগীদা হোকি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকায়না ৱিন্নর ওইখ্রে





ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) : মণিপুর হোকিনা শিন্দুনা খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা চথরকপা নুপা অমসুং নুপী সেনিয়র মণিপুর হোকি লীগ ২০১৭ কী ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা নুপীগীদা আইদিএল ক্লব তেরা অমদি নুপাগীদা হোকি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকায়না ৱিন্নর ওইখ্রে।

সেনিয়র মণিপুর হোকি লীগকী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী অরোইবা লীগ মেচতা আইদিএল ক্লব তেরানা ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপ গোল ১৬-০ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

আইদিএল ক্লব তেরানা লীগ অসিদা পূন্না মেচ মরি শান্নখিবদা মেচ অহুম মায় পাকখি। অমনা মায়থীদুনা পোইন্ট তরা ফংলগা ৱিন্নর ওইখি।

মৈরা বাসিখোংনা মেচ মরি শান্নখিবদা মেচ অহুম মায় পাকখি, মেচ অমনা মায়থীদুনা পোইন্ট ১০ ফংলগা রন্নর্স-অপ তাখি । আইদিএল ক্লব তেরা অমসুং মৈরানা পোইন্ট ১০/১০ চপ মান্ননা ফংমিন্নরবসু গোল ফোরদা আইদিএল ক্লবনা হেনখিবা মরম্না ৱিন্নর ওইখিবনি।

ফামনা মেচ মরি শান্নখিবদা মেচ অনী মায় পাকখ্রে। মেচ অনীনা মায়থীদুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা অহুমশুবা মফমদা লৈখি। সিয়ো শিংজমৈনা মেচ ৪ শান্নখিবদা মেচ অমা মায় পাকখি। মেচ অহুম্না মায়থীদুনা পোইন্ট ৩ ফংলগা মরিশুবা পোজিসন্দা লৈখি। আই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপনা মেচ ৪ শান্নখিবদা মেচ ৪ মক মায়থীদুনা পোইন্ট অমত্তা ফংবা ঙমদনা ৫ শুবা মফমদা লৈখি।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী অরোইবা লীগ মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা আইদিএল ক্লব তেরাগী শান্নরোয়শিংনা মেচকী অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নদুনা ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপকী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া লেপ্তুনা চখিখি।

আইদিএল ক্লব তেরানা মীকুপ কাংদনা চখিবা এটেক অদুনা মরম ওইরগা গোল ১৬ মক থংনা থংননা চনশিল্লকখি। মায় পাক্লবা আইদিএল ক্লব তেরাগী গোলশিং অদু এম নিরমালানা গোল মাপন মেচকী অহানবা, ১০, ১২, ১৯, ৩১, ৩২, ৩৫, ৩৮ অমসুং ৬৬ শুবা মিনিটতা চনখি। এম পুস্পনা গোল অনী মেচকী ২০ অমসুং ২২ শুবা মিনিটতা চনখি। সী ঐচ বেবিচানা গোল অমা মেচকী ৫ শুবা মিনিটতা, এল রিচিয়ানা গোল অমা মেচকী ১৭ শুবা মিনিটতা, এন জি হোমেশ্বরিনা গোল অমা মেচকী ২২ শুবা মিনিটতা, দব্লিয়ু তনুজানা গোল অমা মেচকী ২৬ শুবা মিনিটতা, দব্লিয়ু মার্সিনা গোল অমা মেচকী ৪৩ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী অরোইবা লীগ মেচ অদুদা হোকি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকায়না সিয়ো শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায় গোল ২-২ দা ড্রো ওইজরবসু হোকি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকায়না পোইন্ট ১৮ ফংদুনা ৱিন্নর ওইখি।

মেচ অদুদা হোকি য়ুনিয়নগী গোল অদু ঐচ অমরজিৎনা মেচকী ৪ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল এ বোইনাওনা মেচকী ৫৪ শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ মায়থীহৌরবা সিয়ো শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায়গী অহানবা গোল কে এস ঐচ হেমলেটনা মেচকী ৩৭ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল দিঙ্কুনা মেচকী ৪০ শুবা মিনিটতা চনখি। নুপা অমসুং নুপীগী ৱিন্নর অমদি রন্নর্স-অপ তাখ্রবা টিমদা মণিপুর হোকিগী প্রসিদেন্ট ওলেম্পিয়ন কে এস ঐচ থোইবনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াদুনা শান্নরোয়শিংদা মনা য়েন্থোকখি।

# থাও ষ্টেট মিনি বোইজ ফুটবোলদা কে ৱাই এফ এ, সব জুনিয়রদা এস দি সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস): থাংমৈবন্দ এথলেটিক য়ুনিয়ন (থাও) না শিন্দুনা থাও স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা ৩০শুবা মিনি অমসুং ২৪ শুবা সব জুনিয়র থাও ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬-১৭ কী ঙসি শান্নখিবা চহী ১৪ মখাগী মেচতা কে ৱাই এফ এ কোইরেঙ্গৈ মায় পাকখ্রে। চহী ১৭ মখাগী সব জুনিয়রগী মেচতনা এস দি সী শমুরৌ মায় পাকখ্রে।

টিম ১১ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা চথরিবা চহী ১৪ মখাগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা কে ৱাই এফ এ কোইরেঙ্গৈনা য়ুম্নুথাও থামৈবন্দ টিম বি গোল ৫-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা কে ৱাই এফ এ কোইরেঙ্গৈগী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদুদা য়াম্না কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নখিবনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা গোল মথং মথং চনশিল্লকখি। কে ৱাই এফ এ কোইরঙ্গৈগী গোলশিং অদু সী ঐচ চিঙ্কিনা গোল অহুম মেচকী ২৮, ৩৭ অমসুং ৪০ শুবা মিনিটতা চনখি। এন বোইনাওনা গোল অমা মেচকী মরিশুবা মিনিটতা অদুগা এম বিকেন্না গোল অমা মেচকী ৩৪ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল মঙা শুখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা এস দি সী শমুরৌনা এন এফ সী থাংমৈবন্দ গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা এস দি সী শমুরৌগী গোল অদু ও বিরজিৎনা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল ঐচ রাকেসনা মেচকী ৫৫ শুবা মিনিটতা চনখি। এন এফ সী থাংমৈবন্দগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু শান্তনা মেচকী ১৩ শুবা মিনিটতা চনখি।

# টি-২০ ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস): মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএ-শন্না শিন্দুনা ওরিয়েন্টেল কোলেজ অমসুং মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গ্রাউন্দদা চথরিবা ৫ শুবা ত্বেন্টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৬-১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা চজিং ক্রিকেট ক্লব মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা চজিং ক্রিকেট ক্লব (সী সী সী) না মোদেল ক্লব টিম এ চীংঙামখা ৱিকেট ১ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

মেচ অদুদা মোদেল ক্লব টিম এনা ওভর ২০ মায়োক্লখিবদা ৱিকেট ৬ আউট ওইরগা রন ১০৪ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা চজিং ক্রিকেট ক্লবনা ওভর ২০ মায়োক্লখিবদা ৱিকেট ৯ আউট ওইরগা রন ১০৮ লৌদুনা মোদেল ক্লব টিম এবু ৱিকেট অমদা মায়থীবা পীখি। মেচ অদুদা চজিং ক্রিকেট ক্লবকী কৃষ্ণকুমারনা মেন ওফ দ মেচ তাখি।






# ইমা পান্থোইবী ফুটবোলদা সী সী এফ সী, জে এফ সী, স্মোক্কর অমদি কিং এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচএনএস) : কোংবা য়ুথ ওর্গেনাইজেশন্না শিন্দুনা কোংবা নোংথোম্বম লৈকায়দা লৈবা কে ৱাই ওগী গ্রাউন্দদা চথরিবা অহুল্লক শুবা ইমা পান্থোইবী ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেচ মরিদা সী সী এফ সী ক্ষেত্রি, জে এফ সী খোংমন মংজিন, স্মোকর কোংবা বজার অমসুং কিং এফ সী হৈঙাং মায় পাকখ্রে।


টিম ২৪ না গ্রুপ ৮ দা শরুক য়াদুনা চথরিবা অহুমশুবা ইমা পান্থোইবী ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা সী সী এফ সী ক্ষেত্রিনা ৱাই দব্লিয়ু সী থম্বালখোং গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা সী সী এফ সী ক্ষেত্রিগী অহানবা অমসুং অনীশুবা গোল চাওবনা মেচকী ৭ অমসুং ৩৬ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অহুমশুবা গোল সকিটনা মেচকী ৪০ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা ৱাই দব্লিয়ু সীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু রোবিন্দ্রনা মেচকী ১৩ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা জে এফ সী খোংমন মংজিলনা কে এল ৱাই সী বি কে কলিকা গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা জে এফ সী খোংমন মংজিলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু রোবিন্না মেচকী ১৬ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেচতা স্মোকর কোংবা বজারনা নাচৌ গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা স্মোকর কোংবা বজারগী গোল অনীমক রাজানা মেচকী ১৯ অমসুং ২৭ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা মেচতা কিং এফ সী হৈঙাংনা কোল ওফ ব্যুটি খেরগাও গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। কিং এফ সীগী গোল অনী অদু সুভাস অমসুং মারকোনিনা চনখি।




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com